# বেঙ্গলুরু এফ সী পাঞ্জল ২ মাংজিল থারম্লবসু এফ সী গোৱানা অনীমক হন্দোক্লগা ২-২দা দ্রো চৎখ্রে



২-২দা দ্রো চৎখ্রবা মেটচতা বেঙ্গলুরুগী ৱাংজম সুরেশ (ময়াই)না এফ সী গোৱাগী শান্নরোয়গা বোল মুন্নখিবা

ফটোরদা, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা ঙসি গোৱাগী ফটোরদাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা য়ূম্ব ক্লব এফ সী গোৱাগা শান্নবদা পাঞ্জল ২ মাংজিল থারম্বা অদু কান্নবা ফংখিদনা গোৱানা অনীমক হন্দোক্লগা ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদা ঙাইরিঙৈ অনীশুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা এফ সী গোৱাগী গোল তম্না এটেম্পট তৌখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। এটেক তৌবগী চাং অদুসু এফ সী গোৱাদগী বেঙ্গলুরু এফ সীনা অহানবগী হৌরকপগী মতম অদুদা মশীং হেনখি। মদুগী কান্নবা পুংখায় ফাদ্রিঙৈদা ফংবা ঙমখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরুনা ফংখিবা থ্রো ইন অমা হর্মনজোট খাব্রানা লংলকপদা বোল অদু তম্না চেনশিল্লকখিবা টিমমেট ক্লেটোন সিলভানা হেদ তৌশিল্লগা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

অনীশুবা হাফতা ইক্লোইজর ফংনবা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়না হোৎনখিবা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রিঙৈদা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীনা চথুরকখিবা এটেক অমদা দেশহোর্ন ব্রাউননা পীরকপা বোল অমা এরিক পার্টুলুনা হেদ তৌরগা ইন্থোরকপদা টিম অদুগী স্পেন মচা জ্বানাননা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী সবষ্টিট্যুট অলবর্টো নোগুইরানা য়াম্না ফজবা পাস অমা তৌরকখিবা অদু আইগোর অনগুলোনা ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোকখি। খোঙজেল য়াঙখৎলক্লবা গোৱাগী শান্নরোয়শিংগী মখা তাবা অথুবা এটেক অমদা সবষ্টিট্যুট অলেকজেন্দর জেসুরাজনা পীরকপা বোল অমদা আইগোর অনগুলোনা অমুক্কা হন্না ৬৯শুবা মিনটতা ইক্লোইজর অদু চল্লগা টিম অনী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি। হয়েং ওরিষা এফ সী অমসুং হায়দরবাদ এফ সী থেংনরগনি।

# রসিয়াগী শান্নরোয় মেদবেদেবনা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদাল থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে



স্পেনগী রাফেল নদাল থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা রসিয়াগী মেদবেদেব

লন্দন, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): রসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৪ শান্নরোয় দানিল মেদবেদেবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা এটিপি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০গী হৌরকপা সিজনদগী এটিপি টুর্নামেন্টশিংদা পোইন্টৱাংনা ফংবা শান্নরোয় ৮ খনগৎলগা শান্নবনি। দবলসতসু মকোক থোংবা প্যের নিপাননা লম্বা তৌনরি।

ঙরাং অথেংবদা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদবেদেবকা স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অহৌবা সেটতা নদালগী মায়কৈদগী ফজবা খরা হেনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেদবেদেবকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু অশোয়-অঙাম য়াওহন্দবদগী ৬-৩দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা ৱর্ল্ড নম্বর ফোর রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা মহাক্কী মশান্নদা অহানবা সেট অদুদগী হেনগৎনা রাফেল নদালবু লম্বা তৌবা ঙল্লকখি। শান্নরোয় অনীমক হেঞ্জিনরক্তবদগী সেট অদুগী গেম ১২ লোইবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা কাঙলোনগী মতুংইন্না টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা রাফেল নদালবু পোইন্ট ৭-৪দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নদুনা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা মেদবেদেবনা নদালবু লাকশিনবা হেল্লকখি। নদালগী সর্ভিস গেম অনী রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৩দা থোইরগা এ টি পি ফাইনেলস অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু মায়থীবা পীরম্বা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মগা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী মায়কৈদগী ফাইনেল লম্বা তৌনগদবা প্যেরশিং অদু মশক খঙবা লোইরে। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা ৭শুবা প্যের ওষ্ট্রিয়াগী জুরগেন মেলজর অমসুং ফ্রান্সকী এদৱার্দ রোজর বেসিলিননা অনীশুবা প্যের য়ু এসকী রজিব রাম অমদি গ্রেট ব্রটেনগী জো সালিসব্যুরিবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা টাইটলগীদমক ঙরাং মাংজেলনা অহানবা সেমীফাইনেল মায় পাকপা ঙমখ্রবা নেদরলেন্দসকী ৱেস্লি কুলহোফ অমদি ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিককা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা দবলসকী সেমীফাইনেল অদুগী অহানবা সেট য়ু এস এ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী প্যেরনা ৭-৬(৭-৪)দা থোইখি। অনীশুবা সেট ওষ্ট্রিয়া অমসুং ফ্রান্সকী প্যেরনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুসু সুপর টাই ব্রেকতা ১১-৯দা থোইখি।

# রেঞ্জর্স এফ সীনা ফোরফারবু ৩-১দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে



রেঞ্জর্স এফ সীগী লিজি অর্নোটনা পাঞ্জল ওইখিবা পেনাল্টি কিক্ কাওবা

গ্লাসগো, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): স্কোটলেন্দদা পাঙথোকপা নুপীগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মণিপুর মচা ঙাঙোম বলা য়াওবা টিম ওইরিবা রেঞ্জর্স এফ সীনা ফোরফারবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হাইগৎখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু ফোরফারনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ষ্টেসন পার্কতা শান্নখি। মেটচ অদুদা রেঞ্জর্স এফ সীগী মায়কৈদা সবষ্টিট্যুট ওইনা লৈবা ঙাঙোম বলা শান্নবা য়াওখিদে। মেটচকী হৌরকপা ১৫শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সনা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা ফোরফারগী মায়কৈদগী ঙাকথোকখিগদবা বোল অদু মায়কৈ ওন্ননা টিম অদুগী শান্নরোয় জেদ লিন্দসেনা মশাগী গোল মনুংদা কাওশিঞ্জখিবদগী রেঞ্জর্সনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

মখা তানা চথুরকপা এটেক অমদা রেঞ্জর্সকী কর্সটেন রৈলিনা কাওশিনখিবা বোল অমা ফোরফারগী গোলকিপ্পর ফিওনা মেগনিকোলনা সেফ তৌবা ঙমখি। শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সকী শান্নরোয় জো নেসপু ফোরফারগী শান্নরোয় জেদ লিন্দসেনা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা বোল মুনবদা তুহল্লুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু রেঞ্জর্সকী লিজি অর্নোটনা কাওখিবদা গোলকিপ্পর ফিওনানা ঙাকথোরকখি অদুবু অর্নোটনা থক্তোরকপা বোল অদু অমুক্কা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা ২-০দা লৈখি। ৩৫শুবা মিনটতা ফোরফারগী দোনা পেট্রোসননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক কয়া চথুবা ঙমখি। অদুবু মখোয়না হেন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল মশীং অদুদি হেনগৎপা ঙমখিদে। ফোরফারগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনী শিন্দোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী লাল্লোং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। শান্নবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা রেঞ্জর্সকী কেপ্টেন ক্লোর জেমেলনা কাওশিনখিবা শোট অদু পাঞ্জল ওইদুনা ৩-১দা থোইখি। দিসেম্বর ৬তা রেঞ্জর্সনা মাদরৱেলগা শান্নগনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিসকী সেদ্যুল চয়োল ২গী মনুংদা খঙলগনি

মেলবোর্ন, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মরিক চুম্বা সেদ্যুল অদু লাক্কদৌরিবা চয়োল অনীগী মনুংদা খঙবা ঙল্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী চীফ এগজেক্যুটিভ ওইরিবা ক্রেগ টাইলিনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাংদা পাঙথোকখিবা অদুগুম্না কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৮দগী হৌননবা মতম লেপ্পরম্বনি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা ফেব্রুৱারী নৎত্রগা মার্চ থা ফাওবা মতম য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি হায়না পানরি।

টেন্নিস ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী চীফ এগজেক্যুটিভ ওইরিবা টাইলিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা, হৌজিক নৌনা লাক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা মীরমদগী লাকপা ভাবোকশিংসু ক্কারন্টিন তৌবগী শেম শাননবা হোৎনবদা অচৌবা থবক অমা ওইগদৌরিবনি। য়ামদ্রবদা মীওই ২,৫০০ রোমগী খূদোংচানবা শিনগদৌরিবনি। ভিক্টোরিয়া ষ্টেটকী প্রেমিয়র ওইরিবা দেনিএল এন্দ্রুজনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক অদুনা ক্কারন্টিনগী হীরমশিং অদু নীংথিনা পাঙথোক্ননবা শেম শারি। মমাংদা লৈঙাক অদুনা ২০২১গী জন্যুৱারী ১গী মমাংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদু ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলগদবনি হায়বা ৱাফম অদু খরা চয়েৎনবা লৈরি। ক্কারন্টিন তৌবা মতমদা য়ামদ্রবদা নুমীৎ ১৪নি লৈগদবনি। মরম অদুনা জন্যুৱারী ১৪দা হৌবা তারবদি হান্নগী মতম অদু চৎনবা য়াই। অদুবু টুর্নামেন্ট অসি থেংথবগী মতম পীরবদি শান্নরোয়শিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লাকপগী মতম অদুসু হোংদোকপা তারি।

য়ামদ্রবদা চয়োল অনীগী মনুং অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন হৌবগী অকক্লবা মতম অদু লেপথোকপা ঙল্লগনি হায়খি। টাইলিনা মখা তাখিবদা, টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম সিটি মেলবোর্নদা হৌখিবা নুমীৎ ২৩নি অসিদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস অমত্তা রিপোর্ট লাকখিদে।

# ইন্দিয়ন এথলেটিক্সকী হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর ভোল্কর হরমান কন্ট্রেক্ট লোইদ্রিঙৈদা রিজাইন তৌখ্রে



ইন্দিয়ন এথলেটশিংগী হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর ওইরম্বা ভোল্কর হরমান

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯গী জুন থাদা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী অহেনবা পর্ফোর্মেন্স লৈনবগীদমক্তা হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহনখিবা জর্মন মচা ভোল্কর হরমান কন্ট্রেক্ট মতম লোইদ্রিঙৈদা রিজাইন তৌখ্রে।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা হৌখিবা চয়োল ১/২গী মমাংদা ভোল্কর হরমান অকক্লবা মরম পীদনা রিজাইন তৌখিবনি। মহাক টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১ লোইবা ফাওবা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগা খূৎয়েক পীনখিবনি। ওলিম্পিক গেমস চহী ১ য়ৈথোরকপা মরম্না মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদু কুমজা ২০২৪ ওলিম্পিক্স ফাওবা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শাংদোকহনখি। অদুবু এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগীদি হরমাননা অনৌবা কন্ট্রেক্ট অদু সাইন তৌখিদে হায়রি।

ভোল্কর হরমাননা মশাগী ফেসবুক পেজদা ইরকখিবা ৱারোল অমদা চহী অমা মখায় হেন্না ইন্দিয়াদা লৈদুনা শান্নরোয় কয়া অমগী মতেং পাংবা ঙমখ্রবসু হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর অমগী মায়কৈদগী মীয়াম্না থাজবা থম্লিবা থবক থৌরমশিং অদু মহাক্কী মায়কৈদগী পীবা ঙল্লরোই হায়রদুনা চয়োল অহুমগী মমাংদা ফম অদুদগী রিজাইন তৌখিবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না ভোল্কর হরমাননা ফম অসিগীদমক রিজাইন তৌখিবা অনীরকশুবা মীওইনি। অহানবা মীওই অদু কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর থাদা য়ু এস এগী দেরেক বুসিবুরিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা থবক হাপখিবনি। অদুবু মহাক শুপ্নগী থা ৭ থৌ পুরক্লগা রিজাইন তৌখি।

জর্মন মচা হরমাননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী তুংগী ওইরক্কদবা পর্ফোর্মেন্স অদুদা অফবা মায়কৈ কয়া লৈ হায়খি। মখোয়গীদমক্তা য়াম্না মতীক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর থম্বীগদবনি। লোয়ননা মালেমগী থাক্তা মায় পাকপা ওইননবা ৱাখলগী পাঙ্গল কনবা অমদি হোৎনবা লেপ্তুবা ৱাখল্লোন অমা চেনগদবনি হায়খি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মহাকপু কন্ট্রেক্ট অদু মখা তানা চথনবা হায়জবা লৈখ্রবসু মহাক্কী মায়কৈদগী য়াখিদবনি।

# টোটেনহাম হোটস্পরনা মেঞ্চেষ্টর সিটি থোইদুনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

হোটস্পরনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না ঙন্না মখোয়না মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখি। শুপ্নগী মঙাশুবা মিনটতা হোটস্পরনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টানগে নোম্বিলিনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা সাউথ কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মাংওইননা হোটস্পর রাউন্দ ৮দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মেঞ্চেষ্টর সিটি রাউন্দ ৭ শান্নখিবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি।

পাঞ্জল মাংজিল থাখ্রবা মতুং হোটস্পরগী এটেকশিং অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা হোটস্পরগী মায়কৈদগী হেরি কেননা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট জিওভানি লো চেলসোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা মাংজিল থাখিবা অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হন্দোকপা ঙমদনা অদুম্মক মায় পাকপা ঙমখি।

মেটচ ৯দা পোইন্ট ২০ ফংলগা হোটস্পরনা টিম ২০গী টুর্নামেন্ট অদুদা মাংজিল থারি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু ১-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ব্রুনো ফর্নান্দজনা চনখি। অমরোমদা, এবর্টননা ফুলহামবু ৩-২দা থোইখি।

# বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মায় পাক্তুনা লীদর বেয়র্ন ম্যুনিকপু তান্নরক্লি

বর্লিন, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): জর্মনিগী বুন্দেসলিগাগী ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অর্লিং ব্রোট হলান্দনা পাঞ্জল ৪ চল্লগা হর্থা বর্লিনবু ৫-২দা থোইবা ঙম্বগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলগী লুচিংবা বেয়র্ন ম্যুনিকপু কন্না তান্নরক্লি।

হর্থা বর্লিননা য়ূম্বু ওইদুনা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা মখোয়না বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ৩৩শুবা মিনটতা হর্থা বর্লিনগী দোদি লুকবাকিওনা পীরকপা বোল অমদা মেথিয়াজ কুনহানা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুইদ্রিঙৈ বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী অর্লিং ব্রোট হলান্দনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা হর্থা বর্লিনবু ২-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ৪৭শুবা মিনটতা ইমরে কাননা পীরকপা বোলদা চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ৪৯শুবা মিনটতা জুলিয়ন ব্রান্দটনা পীরকপা বোলদা চনখিবনি।

অর্লিং হলান্দগী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা চনখি। মখা তারকপা বোরুসিয়াগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় রাফেল গুরৈরোনা ৭০শুবা মিনটতা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। হর্থা বর্লিনগী মায়কৈদগী ৭৯শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিম অদুগী পাঞ্জল ২ শুহনখি। অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা বোরুসিয়াগী মায়কৈদগী জুদ বেলিংঘমনা পীরকপা বোলদা হলান্দনা চনবা ঙমদুনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অপূনবা পাঞ্জল ৫গী মনুংদা ৪ ওইহনখি। পোইন্ট লুচিংলিবা বেয়র্ন ম্যুনিক ঙরাং ৱার্দর ব্রিমেনগা ১-১দা দ্রো চৎখি। মখোয়না বোরুসিয়াদগী পোইন্ট ১ হেল্লগা মকোক্তা লৈরি।

# চহী ১০গী মতুংদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা বর্সেলোনাবু থোইবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিং খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা চহী ১০গী মতুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ১৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মায় পাকপদগী পোইন্ট ২০ ফংদুনা মকোক থোংলিবা রিয়াল সোসাইদেদকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা সোসাইদেদনা হেনবদগী এটলেটিকো মাদ্রিদ অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

বর্সেলোনাগী মরুওইবা শান্নরোয় লিওনেল মেসি ঙরাংগী মেটচ অদুদা অচৌবা মগুণ লৈবা খূদোংচাবা ফংবা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা, এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমান অহানবা হাফ অমসুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অনী মাংজখি। লোয়ননা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় ক্লিমেন লেংলেটসু পাঞ্জল ওইরমগদবা হেন্দর অমা মাঙজখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা এঞ্জেল কোরিয়ানা য়াম্না মফম চানা পাস তৌরক্লবা বোল অদু য়ানিক করাস্কোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না ১-০দা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফ অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী বর্সেলোনা মায়থীহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সিভিলানা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইবা ঙমখি।

# রোনাল্ডোগী পাঞ্জল ২না য়ুভেন্টসপু ক্লাগিয়ারিগা শান্নবদা মায় পাকহনখ্রে

রোম, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ঙরাং শান্নখিবা ইটালিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্লাগিয়ারিগা শান্নবদা পাঞ্জল অনীমক চল্লগা ২-০দা থোইখ্রে।

য়ুভেন্টসকী টিম মমাংগী রাউন্দ ৭ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ক্লাগিয়ারিগী টিম মেটচ ৭তা পোইন্ট ১০ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি। য়ুভেন্টস অমসুং ক্লাগিয়ারিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমা ফাওবদি নাকল অনীমক্তগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী অলভারো মোরাতানা খাইদোরকপা বোল অমা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাখি।

পাঞ্জল ১ চনবা ঙল্লবা মতুং য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী অথুবদা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মেরি দেমিরালনা ফংখিবা বোল অমা ক্লাগিয়ারিগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ইনশিল্লকপদা মফম চানা লৈরমখিবা রোনাল্ডোনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা মতমদা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। লোয়ননা ক্লাগিয়ারিগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

সেরি এগী টিম ২০গী লম্বা অসিদা এ সী মিলাননা রাউন্দ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মাংজিল থারি। ঙরাং মায় পাখিবা য়ুভেন্টসনা মেটচ ৮দা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন ওর্লান্দো চেলেঞ্জরগী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে, দবলসতা কাজখষ্টানগী প্যেরনা টাইটল লৌখ্রে



ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন

ওর্লান্দো, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): য়ু এস এগী ওর্লান্দো সিটিদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরন ফাইনেলদা মায়থীহৌরে। টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা কাজখষ্টানগী প্যের গুলুবেব অমসুং নিদোবাইসিওনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরননা য়ু এস এগী ব্রেন্দন নাকাসিমাগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৩-৬, ৪-৬তা মায়থীদুনা টাইটল ফংবগী খূদোংচাবা অদু মাঙখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরননা য়ু এস এগী খৃষ্টোফর য়ুবেঙ্কসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। শান্নরোয় অনীমক হৌরকপদগী লম্বা মান্নখি। অহানবা সেট অদুদা গুনেশ্বরননা খৃষ্টোফরগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা য়ুবেঙ্কসকী মায়কৈদগী পাঙ্গল হেনগৎলকপদগী টাইব্রেকতা পুরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা টাইব্রেক অদু পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙরাং লোইশিনখিবা দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ২শুবা সিদ্দেদ প্যের ওইরিবা কাজখষ্টানগী গুলুবেব অমসুং নিদোবাইসিওবনা য়ু এস এগী প্যের এম ক্রুগর অমদি জে ৱিথ্রোবু সেট ২-০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেটতা কাজখষ্টানগী প্যের অদুনা ৭-৫দা থোইখি। ২শুবা সেট অদুসু ৬-৪দা থোইবদগী টাইটল লৌখি।






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com